ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ



মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মহাত্মা গান্ধী লৈখিদবগী ৭৩শুবা নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা লুচিংবা অসিগী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবা

লামায় ৩

**কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ীশিংনা হেল্থ দিরেক্টরগী ওফিস কা ছো লোনশিনখ্রে**

☛ লামায় ৪

**অচান-মীরাই নাইবগী থৌওং চথরকপা লাইবক থীবনি**

☛ লামায় ৩

**মচিল-মনাও পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে**

☛ লামায় ৩

**পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুর স্পেসল ষ্টেটসতা থম্বীননবা তকশিনগদবনি**

☛ লামায় ৪



এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুল অমদি কোলেজশিংদা ক্লাস নীংথিনা পাঙথোক্লিব্রা হায়বদু হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবা

লামায় ৩

Vol. 44, Issue No. 303 | নোংমাইজিং, ৱাকচিংগী ১৮নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, January 31, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

### ওক্রম হেনরিগী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন

# ৱাঙ্খৈ এ সীগী ইলেক্সন মার্চ ২৪গী মমাঙদা পাঙথোক্কদবনা য়াম্না আর্জেন্সি লৈরে হায়খ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):

মণিপুর ষ্টেট এসেম্ব্লীগী কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা জেনরেল ইলেক্সনদা ইম্ফাল ইষ্টকী ১৫-ৱাঙ্খৈ এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী কোংগ্রেস টিকেটতা কারকখিবা ওক্রম হেনরিগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চত্থরক্লিবা ৱায়েলদা পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ ওইরিবা ও হেনরিগী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদিসনল এদভোকেট জেনরেলনা ৱাঙ্খৈ এ সীগী ইলেক্সন মার্চ ২৪, ২০২১গী মমাঙদা পাঙথোক্কদৌরিবনা মেট্টর অসি 'য়াম্না আর্জেন্সি' লৈরে হায়বা ৱাফম হায় কোর্টতা সবমিসন তৌখ্রে।

ইলেক্সন পিটিসন অসি পাঙথোকখ্রিবা ১১শুবা ষ্টেট এসেম্ব্লী ইলেক্সন অদুদা ও হেনরিগা লম্বা তৌনখিবা বি জে পিগী মীরেপ যুমখাম ইরাবোতনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। ইলেক্সন



পিটিসন অসিগী নম্বর- ২ওফ ২০১৭ নি। অদুগা পিটিসন অসিদা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবনা হৌজিক্কা এ সী অসিগী এম এল এ ওইরম্বদগী রিজাইন তৌরবা মতুংদা মিনিষ্টর ওইরিবা ও হেনরি অমসুং অতোপ্পা মীওই অমনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ইলেক্সন পিটিসন অসি লৌখৎতুনা মসিগী ৱায়েল জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চতা থেঙ্খাং নাইনা চত্থরক্লিবনি। অদুগা হৌজিক ওইরিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী চপ চাবা তাঙ্কক (ষ্টেজ)না ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পিটিস্নরসু ওইরিবা কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু)শিংগী মনুংদা পি দব্লিয়ু নম্বর-১ ওইরিবা ৱাই ইরাবোতকী এগজামিনেসন পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মঙোন্দা চত্থরকপা ক্রোশ এগজামিনেসনগী লেমহৌরিবা শরুকশিং লোইশিন্নবা মতম লেপ্তুনা লৈরিবনি।

চৎলিবা থা অসিগী ২২দা কেস অসিগী পিটিস্নর অমসুং পি দব্লিয়ুসু ওইরিবা ৱাই ইরাবোতকী ক্রোশ এগজামিনেসন চত্থবা হৌখ্রবনি। অদুম ওইনমক নুমীৎতুদা মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমহৌদবদগী ৱাৎহৌরিবা শরুকশিং পাঙথোক্ননবা ঙরাং অমুক হন্না মতম লেপখিবনি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

### মার্টয়র্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

# মণিপুর পোলিটিকেল ফ্রেকচর লৈরম্লবা লমদম অমনি : সী এম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):

ফাদর ওফ দি নেসননি হায়নরিবা মহাত্মা গান্ধী লৈখিদবা নুমীৎপু নীংশিংদুনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা ষ্টেটকী থাক্তা মার্টয়র্স দে থৌরম পাঙথোকখ্রে।

জি এম হোলদা লৈবা মহাত্মা গান্ধীগী মীতমদা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা মহাত্মা গান্ধীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা থৌরম



অসি পাঙথোকখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মিনিট ২ সাইরেন খোংখি। সাইরেন খোংলিঙৈদা হায়ৱেশিংদা চেল্লিবা গাড়ীশিং অমদি জি এম হোলগী অকোয়বদা লৈবা মীয়াম্না তুমীন্না লেপ্তুনা মহাত্মা গান্ধীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## মণিপুরী ফিল্মগী শক্লাইরবী সগোলশেম ধনমঞ্জুরি লৈখিদ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :

মণিপুরী ফিল্মগী শক্লাইরবী আর্টিষ্ট সগোলশেম ধনমঞ্জুরি (৫৪) মশাগী অনাবা অমদগী শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়দা লৈবা মশাগী যুমদা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা লৈখিদ্রে।

মহাক লৈখিদ্রবা সগোলশেম বিজয়গী মচানুপীনি। শক্লাইরবী সগোলশেম ধনমঞ্জুরিনা হিংলিঙৈ মতমদা চাওরাক্লা মণিপুরী ফিল্ম ২০০ রোম কুমখ্রে। মহাক ফিল্মগী আর্টিষ্ট অমা ওইবতা নত্তনা নট সঙ্কীর্তনগী শৈশকপী অমসু ওইরম্মী। লোয়ননা দ্রামা কয়াদসু শরুক য়াখি। মহাক্না এম দি যুগী 'ঙাবোং খাও' হায়বা দ্রামাদা মরু ওইবা শক্তম লাংখি। মহাক মমিং লৈরবা মণিপুরী ফিল্ম 'চনু আই পি এস', 'থাবাতোন পার্ট -১/২/৩', 'ফেসবুক ফিল্ম', ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## কাপ্নবদা অমা শিরে, অহুম শোক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):

নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নুংবা পুলিস ষ্টেসন্দগীনা সাউথ ৱেষ্টতা কিলোমিটর ৩০/৩৫ রোম চৎলগা লৈবা লৈহাওজাং খুলগী উমংদা ঙসি নুংথিল কুকি লিবরেসন আর্মি (কে এল এ) অমদি লিবরেসন ওফ ত্রাইবেল টাইগর (এল টি টি) গা খূৎ থোক্লবদা এল টি টিগী কেদর ১ শিরে, ৩না শোক্লে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদা লৈহাওজাং খুলগী উমংদা এল টি টিগী কেদর খরা মোবাইল ওইনা লৈরিঙৈদা কে এল এগী খূৎলায় মতিক চানা পায়বা কাঙবু অমা লাক্তুনা খূৎ থোক্লবনি হায়রি।

নাকল অনীনা মফম অদুদা পুঙ্খায় অমরোম নোংমৈ কাপ্নবগী মখোল ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# ৱাঙুদা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা মৌনহা ১ তুরেলদা শিরগা লৈরম্লে, ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):

মচা অনী লৈরবী মৌনহা অমা কুম্বী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাঙুগী নাপা চীংগী মণিপুর তুরেলদা শিরগা লৈরম্লে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা নুপী মপামনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মোংশাঙ্গৈগী সন ক্লব মমাঙদা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে। লোয়ননা কুম্বী পুলিসনসু মীশি অসিগী মতাংদা নুপী অদুগী মপুরোয়বা ৱা হংনবা লৌখৎখ্রে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী মমিংনা কোইজম নিংঙোল লোইতোংবম ওংবী মেমীস্না (৩৩) মপুরোয়বা এন রোজেন কৌই। মহাক ৱাঙু অহল্লুপ অৱাং লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙসি অয়ূক পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা লূ কায়বা চৎপা মীওই অমনা ৱাঙুগী নাপা চীংগী মণিপুর তুরেলদা নুপী অমা শিদুনা লৈরম্বা অদু হান্না ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# চহী ১২গী নুপীমচা ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীখিবা মখুরা কোর্টনা চহী ১৬কী ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):

মণিপুরদা অফং-অফংবা থবক শুননবা লাকখিবা লেবর অমনা ইম্ফাল নৎত্রগা অতোপ্পা মফম অমদা শোয়দনা লাইরিক-লাইশু তমহনগনি হায়দুনা পুবীরকখিবী মশাগী চহী ১২ খক্তা ঙাইরিবী মচানুপী থোকপী নুপীমচা অমবু থা ৩ লোম চুপ্পা ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীবগীদমক কনভিক্সন পীখ্রবা মখুরা থোকপা মীওই অদু কোর্টনা চহী ১৬ ফাদোক পীখ্রে।

ঙসি স্পেসল জজ (পোক্সো), উখ্রুলগী চার্জ পুরক্লিবা ৱাইখোম তোনেন মৈতৈনা মহাক্কী কোর্টতা পাঙথোকখিবা সেন্টেন্স হিয়রিংগী মতুংইন্না ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবা ওর্দর ওন সেন্টেন্সকী মতুংইন্না চহী ১৬কী ফাদোক পীখ্রবা কনভিক্ট অদুগী মমিং বাবুল কোল (৩৯) কৌই। অসামগী সিলচর দিষ্ট্রিক্টকী শ্রিগোনা গুল বষ্টিদগী বাবুলাল কোলগী মচানুপানি। হৌজিক্লা উখ্রুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কম্ফাসোম তাঙদা লৈবনি হায়রি।

কোর্ট অসিনা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎপা স্পেসল ত্রাইয়েল (পোক্সো) কেস নম্বর-২ ওফ ২০১৭কী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# অরানবা পাউ শন্দোকপশিংগী মথক্তা এক্সন লৌগদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):

থা অসিগী ১৬তা লৈবাক শীনবা থুংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম হৌদোকখিবা নুমিৎ অদুমক্তদা ষ্টেট অসিগী ওইনসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লমদম অসিদা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম হৌদোকখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিনেসননা মরম ওইরগা মী শিহনবা নৎত্রগা শোকহনবগী পাউ ষ্টেট অসিদা লৈত্রি। মায় পাক্লা চত্থরিবা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবক থৌরমশিংদা অরানবা পাউ কয়া শন্দোক্তুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা চরাংনবা থোকহনবা যাবা ৱাফমশিং শন্দোক্লোইদবনি। করিগুম্বা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী মতাংদা অরানবা পাউশিং শন্দোক্লম্লবদি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫ অমসুং ইন্দিয়ান পেনাল কোদ ১৮৬০কী মখাদা এক্সন লৌখৎকনি হায়না এদিসনল চীফ সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর, পি ভাইফৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, ইন্দিয়াগী ষ্টেট খূদিংমক্তা ওক্সফোর্ড এষ্ট্রাজেনেকানা দিভলপ তৌরগা সেরম ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# কেস ১৩৬ এক্টিভ ওইরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবগী চাং হন্থরকপগা লোয়ননা মণিপুরগী ওইনা কেস ১৩৬ এক্টিভ ওইরি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.২৫ নি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা যুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৩ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ২ পুন্না মীওই ১৫ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৫, জীবন হোস্পিটালদা ১, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ২, শিজ হোস্পিটালদা ২, থৌবালদা ১, ককচিংদগী ৩ অমসুং চুড়াচান্দপুরদা ১ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৪, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১, থৌবালদগী ১, ককচিংদগী ৪, চান্দেলদগী ১, চুড়াচান্দপুরদগী ১ অমসুং কাংপোকপীদগী ১ য়াওরি। মীওইশিং অসিগী মথৌ তাবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

@1.80% অপিকপা শেন্দোইদা @1.80%

সনা Bandhop লৌজরি

Govindajee Gold Mortgage না অনৌবা চহি লাকপ্লবগা লোয়ননা মীয়ামদা হাননা পিখ্রবা খুদোংচাবশিং অদুগী মথক্তা সনা সন ১ দা Rs. 10,000/- ফাওবা পিবগা লোয়ননা অনৌবা খুদোংচাবা ময়াম অমসু পিজরি।

☛ সনা সন ১ দা Rs. 7,000/- দগী Rs. 10,000/- ফাওবা লৌবা য়াগনি।

☛ শেন্দোইনা ১০০ দা 1.80% খক্তনি।

☛ করিগুম্বা অদোমগী হাননা অচৌবা শেন্দোইদা শনা Bandhop থম্বীখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হান্দোকপিরগা, ঐখোয়গী অপিকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।

☛ সনা লৌথোকনিংবা মতমদা লৌথোকপা য়াবগী খুদোংচাবশু পিজরী।

সন ১দা Rs. 10,000/- ফাওবগী চাংদা পিজরী @1.80%

For details, please contact,
GOVINDAJEE GOLD MORTGAGE
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building, Palace Compound, Govindajee Road, Near Andro Parking, Imphal East
Office Timing : 9:00 a.m. to 4:00 p.m.
Phone No. : 7085917479

HL-P/8697/29 Jan. to 23 Feb.

হৌজরে হৌজরে

নিংথিনা সেনিতাইজ তৌরবা Manipur Cab Service হৌজরে। মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা বুক তৌবিয়ু।

Service starts 7:00 a.m.
Service upto 5:00 p.m.

Dial:
18003453838
6909967574 / 8258070746
6909608909 / 9402267525

Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal

Powered by:
Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-B/6690/10th Jan. to 9th Feb.




HL-B/6746/31

## HL Poll

Q: National Sports University sabagi matangda ngaihak leitana erang thokliba asi thokhandanaba leingakna akhannaba thourang loukhathanningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: Kumja 2024 faobagi manung da leingakna manipurgi yumthong khuding thaknaba toti esing ningthina fanghanba ngamgani khanbra?

Yes 31% No 69%


গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৯.৩৫ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৬.০৫ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৫৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫৮

## অস! লোইরেহে!

- অঙাংশা ঐখোয়না করিগী লাইরিক তম্লিবনো?



- নুপী থিবা ফংনবনি, সার।